# গ্রুপ দিগী ওইনা ইংলেন্দ অমসুং ক্রোএসিয়া অমদি গ্রুপ ঈদনা স্পেন অমসুং স্বিদেন মায় পাকখ্রে



রোম, জুন ২৩ (এজেন্সী):
ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা গ্রুপ দিগী ওইনা শান্নখিবা ইংলেন্দ অমসুং চেক রিপব্লিককী মেটচতা ইংলেন্দনা গোল ১-০দা চেক রিপব্লিকপু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদনা স্কোটলেন্দনা ক্রোএসিয়াগী মখূৎতা ১-৩দা মায়থীবা নংখ্রে। পুং ৯.৩০দা গ্রুপ ঈগী ওইনা শান্নখিবা মেটচশিংদা স্পেননা স্লোভাকিয়াবু য়াম্না লাকচনা ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদনা স্বিদেননা পোলেন্দবু ৩-২দা মায়থীবা পীখিবনি।

ইংলেন্দ অমসুং চেক রিপব্লিক শান্নখিবা মেটচকী ১২শুবা মিনটতা নহা ওইরিবা ইংলেন্দগী প্লেয়র রহিম ষ্টর্লিংনা চেক রিপব্লিককী মায়োক্তা ফজবা গোল অমা চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। চেক রিপব্লিককী মায়কৈদগী গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদবদগী ইংলেন্দগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌখি।

গ্রুপ দিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা শান্নখিবা ক্রোএসিয়া অমসুং স্কোটলেন্দগী মেটচতা ক্রোএসিয়াগী মায়কৈদগী মেটচ অদু হৌরকপগী ১৭শুবা মিনটতা নেকোলা ভ্লাসিকনা অহানবা গোল স্কোটলেন্দগী মায়োক্তা চনখি। স্কোটলেন্দনসু অকনবা মওংদা হোৎনদুনা মেটচ অদুগী ৪২ শুবা মিনটতা গোল ১ হন্দোকখি। কলম এম সী গ্রেগরনা চনখিবা গোল অদুনা হাফ মমাং ফাওবদা ক্রোএসিয়া অমসুং স্কোটলেন্দ গোল অমমম্ চন্নদুনা তনিক-তনিকপা ফীভমদা লৈনখি। হাফ মতুং মেটচ অদুগী ৬২শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী লুকা মোদ্রিকনা অনীশুবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা ৭৭শুবা মিনটতা ইভান পেরিসিকনা গোল ১গা অমুক চনশিন্দুনা ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেটচ অদুগী অরোইবা মিনট ফাওবদা স্কোটলেন্দনা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী ক্রোএসিয়াগী মখূৎতা ৩-১দা মায়থীখি।

গ্রুপ ঈগী ওইনা স্লোভাকিয়া অমসুং স্পেনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা স্পেননা স্লোভাকিয়াবু ৫-০দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদুগী ৩০শুবা মিনটতা স্পেনগী মার্টিন দুব্রাবকানা স্লোভাকিয়াগী মায়োক্তা অহানবা গোল চনখি। অহানবা হাফকী এক্স্ট্রা টাইমদা আইমেরিকলাপোর্টেনো ২শুবা গোল চনখি। হাফ মতুং মেটচ অদুগী ৫৬শুবা মিনটতা স্পেনগী পাব্লো সরাভিয়া, ৬৭শুবা মিনটতা ফেরান টোরেজ অমসুং ৭১শুবা মিনটতা জুরাস কাকানা স্লোভাকিয়াগী মায়োক্তা গোল অমমম্ চনশিন্দুনা ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্বিদেননা পোলেন্দবু ৩-২দা মায়থীবা পীখি। শান্নবা হৌগৎলকপগী ২শুবা মিনটতা স্বিদেনগী ইমিল ফোর্সবর্গনা পোলেন্দগী মায়োক্তা অহানবা গোল চনখি। হাফ মমাংদা স্বিদেননা চনখিবা গোল পোলেন্দনা হন্দোকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী ৫৯শুবা মিনটতা ইমিল ফোর্সবর্গনা ২শুবা গোল চনখি। মদুগী মতুং মেটচ অদুগী ৬১ অমসুং ৮৪ শুবা মিনটতা পোলেন্দগী রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা গোল ২ থংননা চন্দুনা মান্নবা ফীভমদা লৈখি। মেটচকী ইঞ্জুরি টাইমদা স্বিদেনগী ক্লিসননা পোলেন্দগী মায়োক্তা গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

# পুৰারীগা শাগোন্নরিবা শগোল কাংজৈগী অখন্নবা নুমিৎ অমা মালেমগী থাক্তা থম্বীয়ু: কে দি এস



ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস):
মালেমগী মীয়াম্না মোদর্ন পোলো হায়রগা হেন্না খঙনরিবা শগোল কাংজৈ হায়রিবা মশান্না অসি ইরমদম মণিপুরদগী হৌদোকখিবা মশান্না অমনি। 'দি স্পোর্ট ওফ কিংস' হায়নসু খঙনরিবা মশান্না অসি মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী শান্নদুনা লাক্লবা মশান্না অমনি। মশান্না অসি নিংথৌ কাংবনা খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা হৌদোক্লম্বা মশান্ননি হায়বগী থাজবা ৱারীসু লৈরিবনি হায়না খাঙবোক দিভলপমেন্ট সোসাইটি (কে দি এস)না থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হীরম অসিগী মতাংদা মশান্না অসিবু কুমজা ১৯৯১দা 'দি গিন্নেস বূক ওফ রেকোর্দস' চনবগী সাইটেসন অদুদা অসুম্না মেন্সন তৌরি- 'পোলো: ওরিজিন্স: ওরিজিন্স ওফ পোলো কেন বি ট্রেস টু ওরিজিন্স ইন মণিপুর ষ্টেট সী ৩১০০ বি সী হ্বেন ইট ৱাজ প্লে এজ শগোল কাংজৈ' হায়বসিনি।

হায়রিবা মশান্না অসি মীতৈগী খুন্নাইলোলগসু নীংশিংবা থোক্রবা মতমদগী অচেৎপা মরী লৈনদুনা লাক্লি বনি। মশান্না অসিগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা শগোলগী তোপ তোপ্পাৱারী শীংবুল কয়া অমসু লৈরিবনি। অসিগুম্বা মতীক ময়াই লৈরবা শগোল অসিবু য়োকখৎনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী থবকসু পায়খৎলিবনি।

পীক্লবা চীংলৈবাক অসিদগী খূদোল তমখিবা মশান্না অসি ঙসিদি মালেমগী লৈবাক কয়াদা শন্দোকখিদুনা মালেম্না শকখঙনরবা মশান্না অমা ওইরবনি।

অঙনবা মতমদগী ওলেম্পিক গেম্সকী ইভেন্ট অমসু ওইরম্লবা মশান্না মণিপুরদা চহী খূদিংগী পাঙথোক্লিবা সঙাই ফেষ্টিভেলদসু মালেমগী লৈবাক কয়ানা শরুক য়াদুনা মণিপুর ইন্টরনেশনল টুর্নামেন্টসু পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। শগোল কাংজৈ মশান্না অসিবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু ইকায় খুম্নবা ওইনা কুমজা ২০১৪দগী পোষ্টেজ ষ্টাম্প ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

অসিগুম্লবা মালেমগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্না শান্নরক্লিবা মশান্না অসিগী মিংদা মালেমগী থাক্তা অখন্নবা নুমিৎ অমা থম্বীবা মতম ওইরে। মসিগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, স্পোর্টস মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়রি।

অসুম্না মশান্না অসিগী মিংদা মালেমগী থাক্তা নুমিৎ অমা লৈরগদি মশান্না অসিবু অমুক্কা হেন্না মালেমগী মীয়ামদা পাক-শন্না খঙহনবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা মশান্না অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না খল্লি। মসি ওইরবদি মালেমগী মীয়াম্না স্পোর্টসকী লম্দা শকখঙনদুনা লাক্লিবা পাৱর হাউস ওফ ইন্দিয়ান স্পোর্টস হায়নসু খঙনদুনা লাক্লিবা ইরমদম মণিপুরগী ওইনা অনৌবা অখন্নবা ফিদা অমসু মালেমগী থাক্তা শোয়দনা ফংগনি খল্লি হায়রি।

অমরোমদা, পোলো মশান্না য়োকখৎনবা হোৎনরবসু মশান্না অসিগা লোয়নদুনা লাক্লবা মণিপুরদা ফংলিবা পোনি হায়না খঙনরিবা শাগোল মখল অসি য়েংশিনবীনবা ৱাৎপনা মরম ওইরগা নোংম-নোংমগী মশীং হন্থরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদসু লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

# কোন্সম জয়কিষনননা লৈখিদবদা অম্ফানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস):
১৪শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা শরুক য়াখিবা য়ং ফিজিক য়ুনিয়নগী মেনেজর কোন্সম জয়কিষন (৫৮) অপোকপা কোন্সম মণিনা মনুং-মতম চাদনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা কাংজাবী লৈরক থিঙেল লৈকাইদগী কোন্সম জয়কিষননা লৈখিদবদা অম্ফানা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওই। মহাক্না লৈখিদবদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা তাহৌরিবা অৱাবদা অম্ফানা শরুক য়ারি অমদি লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্না লৈরুবা ওইরসনু হায়রি।

# রামকুমার রামানাথন অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, গুনেশ্বরন লৈহৌরে



লন্দন, জুন ২৩ (এজেন্সী):
ৱিম্বলদন ক্বালিফায়রগী ওইনা রামকুমার রামানাথন অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, অদুগা ওই থংবা খূজেং শোকপদগী খূদোংচাদবা খরা মায়োক্লদুনা লাকখিবা প্রজনিশ গুনেশ্বরন অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌরে।

রামকুমার রামানাথননা ৱিম্বলদন ক্বালিফায়রদা স্লোভাকিয়াগী মহাক্কী লম্বা জোজেফ কোভালিকপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৩, ৬-০দা মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা খূজেংগী অনাবা লৈরিবা প্রজনিশনা মহাক্কী লম্বা অর্থর ফেরিগী খূৎতা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীখিবনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ১৪৮শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা প্রজনিশনা অর্থর ফেরিগী খূৎতা ১-৬, ৬-৭, (৫-৭) পোইন্ট ফংদুনা মায়থীহৌখিবনি।

প্রজনিশনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক অর্থর ফেরিগী মখূৎতা মায়থীখিবা অদুদা থোইদোক্না অৱাবা ফাওদে। মহাক্তি শান্নবা হৌগৎলকপদা ঙাইরিবা মীওইনি। ইশাগী খূজেংদা অনাবা লৈখিবনা মরম ওইরগা মপূং ফানা শান্নবা ঙমখিদবনি হায়রি।

## য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ন্যু দেল্লী, জুন ২৩ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক দে নুমীৎনা লাকপগা লোয়ননা জপানগী টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদৌরিবা শান্নরোয়শিংদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়াইফ পাউজেল পীরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা চাওনা মায় পাকপা ওইরসনু হায়রি।

মহাক্না ওলিম্পিক দে থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী শান্নরোয় কয়ানা ওলিম্পিকতা শরুক য়াবা ঙম্লকখিবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি চাওথোকচনিংঙাইনি। তুংদসু ওলিম্পিয়ন কয়া লৈবাক অসিদগী থোক্লকখিগনি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ওলিম্পিকতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পূক্নিং থৌগৎলকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক দেগী থৌরম মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস):
মোদর্ন ওলিম্পিক্স পোল্লকখিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক দে নুমীৎনা লাকপদা মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ওলিম্পিক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না হোক্কী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নেকেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।





চেরোল অসিনা মখা তানা হায়খিবদা, নুমীৎ অসিদা মোদর্ন ওলিম্পিক্স অসি পোল্লকখিবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি হৌখিবা কুমজা ১৮৯৪গী জুন ২৩দা পেরিসতা শেমখিবনি। মদুগী মতুং ইহান হানবা মোদর্ন ওলিম্পিক অসি কুমজা ১৮৯৬ তা এথেন্সতা পাঙথোকখিবনি। মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনসু লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম মরিদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মরুওইনা খোংমন ষ্টুদেন্টস ক্লব হোল ইম্ফাল ইষ্টতা মপূং ওইবা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

ক্লব অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম, মণিপুর হোক্কীগী প্রসিদেন্ট বাসুদেব, মণিপুর হোক্কীগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নেকেন অমদি মণিপুর হোক্কীগী ওফিসলশিং অমসুং খোংমন ষ্টুদেন্টস ক্লবকী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসি ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (হোক্কী য়ুনিট), হোক্কী য়ুনিট ওফ ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর হোক্কীনা শীন্দুনসু জিরিবামদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর হোক্কীগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম নেকেননা ফোঙদোকখিবদা, ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক দে নুমীৎনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা শান্নবা পাম্বা মীওইশিং অমদি হৌজিক-হৌজিক শান্নরিবা মীওইশিংবু মণিপুর হোক্কীনা তরাম্না ওকই। মীয়াম্না মরুওইনা চহী নৌরিবা নহাশিংনা শান্নবগী লম্দা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা হকচাংফনা লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। মণিপুর শান্ন-খোৎনবদা মালেমদা শক-তাক্লিবা লমদম অমনি হায়বসি কাউরোইদবনি হায়রি।

# ওলিম্পিক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে





ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস):
দি আইদিএল ক্লব সগোলবন্দ তেরা কৈথেল, ইম্ফাল ৱেষ্টনা হোক্কী য়ুনিট ইম্ফালগা খূৎশম্নদুনা ঙসি ক্লব অসিগী ওফিসতা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ক্লব অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হোক্কী য়ুনিট ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং আইদিএল ক্লবকী থৌ পুবশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক দে হৌদোকখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা চহী নৌরিবা নহাশিংনা হকচাংফনা লৈনবা অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী লাপথোক্লবা হোৎনবদা শান্নবগী লম্দা অহেনবা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি হায়না ক্লব অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি মুতুম রঞ্জননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# ওলিম্পিক্স য়েংবা লাকপশিংনা খোঞ্জেল হৌনা ঙাংবা অমদি অলকোহোল শীজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রে

টোকিও, জুন ২৩ (এজেন্সী):
জপানগী টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১ রোম য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা ওলিম্পিক গেমস য়েংবা লাকপা মীওইশিংনা ষ্টেদিয়ম মনুংদা অলকোহোল শীজিন্নবা, খোঞ্জেল হৌনা ৱারী শানবা অমদি হাই ফাইবনচিংবা তৌবদা অথিংবা থম্লে হায়না ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।


কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা ওলিম্পিক গেমসতা চৈথেং পীরক্তনবগী পান্দমদা ওর্গনাইজরশিংনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা নৌনা অথিংবশিং অসি থমজিল্লকখিবনি। ঙল্লিঙৈ মতমদা ওর্গনাইজরশিংনা ওলিম্পিক ভেন্যুশিংদা অলকোহোল কঞ্জুম তৌবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মায়োক্তনা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রবা মতুং অথিংবা অসি থম্লকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা টোকিও ওলিম্পিক্সকী প্রসিদেন্ট সৈকো হাশিমোটোনা ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্কদৌরিবা মফমশিংদা ওর্গনাইজরশিংনা অহেনবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা শুপ্নতগী নুমীৎ ৩০নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লে। ওলিম্পিক গেমস য়েংবা লাকপা মীওইশিংনসু ওর্গনাইজরশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দারকপা থিংনবগীদমক শেম্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎকদবনি। মপূং ফাবা ওলিম্পিক গেমস ওইহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী সপোর্ট মথৌ তাই হায়খি।

# দব্লিয়ু ঐচ ওনা আই ও সী অমদি জপানিজ ওথোরিটিশিংগা কোভিদকী মতাংদা খন্নগদৌরি

জেনেভা, জুন ২৩ (এজেন্সী):
জপানগী টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা অতোপ্পা লৈবাক্তগী মীওইশিং লাক্তুনা য়েংবা য়াগনি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা লাউথোকখ্রবা মতুং ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) অমসুং জপানিজ ওথোরিটিশিংগা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গা উনদুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা খন্নগনি হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী ইমজেন্সি প্রোগ্রাম হেদ মাইক রায়ননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অদুগী মীওইশিং ১০ হেন্না য়েংবা য়াবগী অয়াবা ওলিম্পিক ওর্গনাইজরশিংনা পীখ্রে অমদি কন্দিসন খরগী মখাদা মপান লমদগী লাকপা মীওইশিংসু য়েংবা য়াবগী অয়াবা পীরবা য়ানা লৈ।

জপানদা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯না নাহনবগী চাংয়াম্না হন্থরক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাই ওই। অদুমওইনমক হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা মী য়াম্না তিনবা হায়বসি খূদোংথীনিংঙাইনি। ওলিম্পিকতা মী য়াম্না য়েংবা য়াবগী অয়াবা ওর্গনাইজরশিংনা পীখিবা অদু অমুক্কা হন্না খন্থবা মথৌ তাই অমদি হীরম অসিগী মতাংদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা আই ও সী অমদি জপানিজ ওথোরিটিশিংগা ৱারী শাননবা ফিরেপ লৌখিবনি। জপানদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হন্থখ্রবসু অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদদি কা-হেন্না হন্থবা হায়বদু ওইদ্রি। মরম অদুনা অহেনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারি।




# টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা জুদো মশান্নদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী লিকমাবম সুশিলা খল্লক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস):
মথংথাগী ২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ইভেন্ট অমা ওইরিবা জুদো কম্পিটিসনদা শরুকয়ানবগীদমক কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটগোরিদা মণিপুরদগী লিকমাবম সুশিলা খল্লকখ্রে হায়না ইন্টরনেসনল জুদো ফেদরেসননা ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন অসিনা নেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টদা লিকমাবম সুশিলাবু ওলিম্পিক গেমসকীদমক খল্লে হায়না খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা জুলাই ২ ফাওবগী মনুংদা অকক্লবা পাউ অমা ইন্টরনেসনল জুদো ফেদরেসনদা পীরক্লবা খঙহল্লকখ্রে।


পনবা য়াবদি, লিকমাবম সুশিলা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা হৈঙাং ময়াই লৈকাইদগী লিকমাবম মনিহারগী মচানুপীনি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লিকমাবম দিনিটকী মখাদা জুদো শান্নবা তম্লকখিবনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা সুশিলা শান্ন-খোৎনবদা থৱায় য়াওনা হৌরকখিবনি। মহাক্না থৱায় য়াওনা হোৎনরকখিবনা ঙসি ওলিম্পিক্কী থাক অসি য়ৌবা ঙম্লকখিবনি।



লিকমাবম সুশিলা জুদো মশান্নদা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌরক্তুনা মণিপুরগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মায় পুরকখ্রবী শান্নরোয় অমনি।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মহাক্না মেদল লৌরকখিবশিংগী মনুংদা পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী থাদা শিলোংদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন গেমস, কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর থাদা হোং কোংদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন জুদো ওপন, কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর থাদা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা কমনৱেল্থ জুদো চেম্পিয়নশিপ অমদি কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর থাদা নেপালদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল লৌদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 149

**Myers, Dominique (1990) - Swicarz, Maciej (2341)**
**Titled Tuesday 12th Jan chess.com INT (4), 2021.01.12**

1.e4 c6 2.d4 d5 3.e5 c5
4.dxc5 e6 5.a3 Bxc5 6.b4 Bb6
7.Bb2 Ne7 8.Nf3 a5 9.b5 Nd7
10.Bd3 Nc5 11.O-O Bd7 12.a4 Ng6
13.Nbd2 Rc8 14.Re1 Qc7 15.Bf1 Ne4
16.Nxe4 dxe4 17.Ng5 e3 18.Bd4 exf2+
19.Bxf2 Bxf2+ 20.Kxf2 Qxc2+ 21.Re2 Qf5+
22.Nf3 Rd8 23.Qe1 b6 24.Rd1 Nf4
25.Red2 Nd5 26.Bc4 Nc3 27.Rc1 Ne4+
28.Kg1 Nxd2 29.Qxd2 O-O 30.Bd3 Qh5
31.Qf4 Bc8 32.Be4 f5 33.exf6 Rxf6
34.Qc7 Rdf8 35.Qxb6 Qh6 36.Rc7 e5
37.Qc5 Bg4 38.Qxe5...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 148 Ans. :**
14. ...Qg6 15. e6 Qxg7 16. exd7+ Nxd7 17. Rhe1+ Ne5
18. Rd8#Opera mate
15. e6 d5 16. Rxd5 Nc6 17. e7 Nxe7 18. Rd8+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com